‘লৈঙাক মপুসি নুপা থোক্তবদা নত্তনা চিন থিরে’

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) : পাম্বৈনা লুচিংবা যু এন এল এফনা লৈঙাক্কা তংদু লৈতাবগী খূৎয়েক পীনরিবা কাঙবুগী চীফ ওফ আর্মি শিদবামপু এলিয়জ থোইবা, চীফ ইন্টল্লিজেন্স ঈংবা অমদি কাদর অমগা পুন্না মীওই অহুম্ব এন আই এনা ফাখিববু লৈঙাক মপুনা খঙহৌদে হায়বসি নুপা থোক্তবদা নত্তনা চিনসু থিবনি হায়না ককচিং অপূনবা নুপী লূপ (কে এ এন এল)গী কনভিনর এন কল্পনানা লৈঙাক মপুবু মরাল শীরক্লি।

ঙসি ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেসন ওফ মণিপুর (ইপোম)না পাম্বৈনা লুচিংবা যু এন এল এফকী থৌমী অহুম ফাখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয় অহুম কন্দিসন য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না মণিপুরগী মফম কয়াদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবগী মনুং চন্না ওল ককচিং ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এ কে সী সী সী), ককচিং অপূনবা নুপী লূপ (কে এ এন এল), ককচিং কৈথেল অপূনবা ইমা লূপ (কে কে এ আই এল) অমদি ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যের এসোসিএসন (কে বি বি দল্লিয় এ)না ককচিং কৈথেল ইবুধৌ নাওহললাই লাইবুংদা পাঙথোকপা ৱাকৎ মীফমদা ৱাফমসি কল্পনানা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা, লৈঙাক্না চত্থরিবা থৌওংসি ফাগীরা নৎত্রগা অশেংবরা। তংদু লৈতাবগী খূৎয়েক পীনরিবসি ফাগী তাহনবীগনু। লৈঙাক মপুনা ওইদবা ঙাংবসি তৌবীগনু। লৈঙাক্কী থৌওং মীয়াম্না য়াম্না কন্না য়ানিংদে। ফাজিনখিবা পাম্বৈনা লুচিংবা যু এন এল এফকী থৌমী অহুম কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরকউ নৎত্রবদি ককচিংদা লৈরিবা নুপী অমসুং লূপশিংনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফমদুদা পাম্বৈনা লুচিংবা যু এন এল এফপু বলিগী হামেং ওইহনবা য়ারোই, পিছ টোক তৌরিবা কাদরশিং এন আই এনা ফাবা য়ানিংদে, পিছ টোক্কী ৱাহন্থোক করিনো অমসুং ঐখোয় তংদু লৈতবা পাম্মী হায়না ইবা প্লে কার্দশিং পায়খি। ৱাকৎ মীফমদু লোইশিল্লকপদা ফাজিনখিবা কাদর ৩ খুদত্তা থাদোকউ, এন আই এগী থৌওং য়ানিংদে হায়বা খোল্লাও লাউখি।

মীয়াম্না অভা একাউন্ট হাংদুনা খুদোংচাবা লৌবীয়ু : দিরেক্তর

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) : অয়ুশমান ভারত দিজিটেল মিসন (এ বি দি এম)গী মখাদা মীয়াম্না অয়ুশমান ভারত হেল্থ একাউন্ট (অভা) হাংদুনা দিজিট ১৪গী য়ুনিক অভা নম্বর অমমমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ‘হেল্থ ফোর ওল’গী পান্দমদা নেসনল হেল্থ মিসন্না প্রাইমারী হেল্থ ক্যের সিষ্টমসি য়ূমথোঙ খূদিংমক্তা ফংহন্নবা চত্থরিবা মিসন অসিগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়না দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্তর ডা. ও সনাহনবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্ফেলদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকী কনফরেন্স হোলদা মিসন অসিবু মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা মীতৈলোন্দা শেম্না ভিদিও ফিল্ম অমা লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ডা. সনাহনবীনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অভা নম্বর হায়বসি মীপুম খূদিংমক্কীনি শোয়দনা পায়গদবনি। মসিনা পেসেন্ট, হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর অমসুং প্রোফেসনলশিংগী দেটা পূন্নমক ইরায় লায়না ফংহল্লগনি। পেসেন্ট অমগী অনাবগী রেকোর্দ পূন্নমক দিজিটেল ফোর্মেটতা থমদুনা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙম্লগনি। অভা নম্বর রেজিষ্টর তৌরবদি ইন্দিয়াগী মফম অমদা হেক্তমক পেসেন্ট অদুগী লায়েংলকপগী রেকোর্দ ময়াম অদু অমুক পুরুদ্রবসু ইরায় লায়না য়েংবা য়ারগনি। মসিনা অরুবা লায়না কয়া লায়েংবদা মীপুম খূদিংমক্তা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম পূন্নমক্না মশা-মশাগী অভাগী আইদেন্টিটি কার্দ অমমম তান্থোকপীয়ু হায়খি।

ৱর্ল্ড সোসল ৱার্ক দে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) : রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মালেম পুম্বগী ওইনা সোসল ৱার্ক সেলেব্রেসন চহী খূদিংগী মার্চকী অহুমশুবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকই। থৌরমসিগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া এসোসিএসন ওফ মেদিকেল সোসল ৱার্ক প্রোফেস্নলস রিমসকী সেক্রেটরি ডা. দল্লিয়ুরনবিরনা কম্যুনিটি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নৈকালোংদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ময়ূম মৈনা তুম্না চাকখ্রবী সন্ধ্যারানিদা এল এম জিনা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা ইলেক্ট্রিক সোর্ট সার্ক্যুইটতগী হৌরকপা মৈনা ময়ূম তুম্না চাকখ্রবা উরিপোক নাওরেমথোং দি সী রোদ, লাইশ্রম লৈরক্তা লৈবা লাইশ্রম সন্ধ্যারানিগী মফমদা ঙসি নুংথিল অথু-অকায়গী ওইনা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি)না লুপা লিশিং ১০ তেংবাঙ শেল পীদুনা অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়না এল এম জি মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

CASH
LIKE MINDED GROUP
LMG
MANIPUR

তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা এল এম জি মণিপুরগী চীফ এদভাইজর ৱাঙ্খেমচা শ্যামজাই অমদি এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর হরিদাস অনীনা লুচিংখি। খোঙচত্তুদা গ্রুপসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম লোয়ননা মেম্বরশিং কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বা, বোইনাও মাইবম, ডা. মাইবম ইতিন, পি কে হুইরোংবম অমদি গ্রুপ অসিগী অতৈ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোলদা গ্রুপসিগী সেক্রেটরি ওজিৎনা হায়খিবদা লাইশ্রম সন্ধ্যারানিগী ইমুংসি অৱাবদা অৱাবা হাপ্পা হায়বদুমক থোক্লে। মহাক্কী মনেম্বোম চহী অমগী মমাঙদা লৈখিদবগী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ চৈরক্তা মহাক্কী মপুরোইবসু লম্বীগী এক্সিদেন্টতা লৈখিদে। মপুরোইবা লৈখিদবা থা ফাদ্রিঙৈদা মনাওনুপাসু লম্বীগী এক্সিদেন্টতা লৈখিদে। অৱাবা মরকসিদা ময়ূম অমুক মৈনা তুম্না চাকখিবনি হায়রি।

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

কুকিগী মঙ মঙলাক্লহল্লিবা মীতৈ খুল অমা -২

কুইরবগী মমাঙ, ঐহাক ‘ক্বাথা খুল’দা অমুকখক চৎলুরে। মতম ফরিঙৈদনি। পোলিটিকল পার্টি অমদা মিং চন্দুনা য়াওরিঙৈনি। অহিং অমা লেক্লকখি। খুঞ্জাশিংগা ৱারী-ৱাতায় শাদুনা, শোত্থরবা খুঞ্জাশিংগী ইকোনোমি ফগৎহন্নবা করম্বা থবক থৌরম পায়খৎসিগে থিমিন্নরুবনি। মিনিষ্টর অমনা থাজবা পীরকপদগী চৎলুবনি। অদুবু কোন্না খঙলকখি- রাজনিতি তৌবশিংগী মরমচৎ- ‘তুরেল লৈতা মফমদা থোং শানি ৱাশকপা, ঈশিং লৈতা মফমদা ঙাগী পোথোক লৈহনগনি’ থাজহনবা মতৌ অদুনি। ঐখোয়না তম্বা পাউদম মন্ত্রিদুনা তবীনবা মতম ফাওবা কাইথোকপীবা ঙমখিদে, মহাক্না থাজবা পীখিবা থবকশিংদু পাঙথোকপগী ৱাদি থমখিসি। থৌদোক্তুগী মতুংদনি ‘ঐহাক্নম্বা চম্ফুৎ অমগী মফম, মণিপুর- পোলিটিক্সতা লৈতে’ খন্দুনা রাজনিতিদগী বিদাই লৌরকখিবা। মচাবু অৱাংবদা কাখৎহল্লগা ওকপীগনি থাজহন্দুনা চোংথহনবা... চোংথরক্লগা শৎ লৈথোকখিদুনা মচাবু মখোঙ তেকহনবা, অদুগুম্বা থৌওংদুবু পোলিটিক্স কৌই- ঙল্লগনা তৌ, পোলিটিসিয়ন ওইয়ু ঙমদ্রবদি ওইরুনু হায়বা পাউতাক্তু অচুম্বনি খঙলকপদগীনি ঐহাক্না পোলিটিকল পার্টিশিংগা শম্নবই ৱাখল থাদোকখিবা।



‘ক্বা’ হায়বা, চীঞ্জাক ওইনা চারবসু য়াদবা, ময়াই কাহনবা নিশা’মকসু নত্তবা, চাবগী হৈনবী লৈখ্রগদি থাদোকপা ৱাবা নিশাগুম্বা ওইরকপা, নহা-অহল-নুপী-নুপা পুম্নমক্না শীজিন্নবা/চানবা পোৎ মখল অসি মীতৈশিংনা হিন্দু-লাইনিং লৌখ্রবা তুং-মীশি-মীনা, লুহোং-কৈহোংবনচিংবগী লাইনিং-লাইশোন থৌরমদা য়াওদবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইহনখি। ঐখোয়গী চৎনবী নাৎকা কৈদৌঙৈদা শেৎনররোইদবা শরুক অমা ওইরকখি। পীকপদগী পীল্লবা ইমুংগী য়ুনিট অমদগী অচৌবা ইমুং ফাওবদা পোকপদগী শিবফাও পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং- হিন্দু লাইনিং ওইগেরা/সনামহী লাইনিং ওইগেরা- ক্বা অমদি ক্বা-মনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমনি। মাইক্রো-ইকোনোমি মাল্লগা খ্বাইদই চাউবা মেক্রো-ইকোনোমিক এক্তিভিটি অমনি ক্বা অমদি ক্বা মনা লল্লোনবা। রিলিজয়স প্রাক্তিসকা শাগোন্নবা বিজিনেস- খ্বাইদই সষ্টেনেবল অমসুং প্রোফিটেবল ওইবা বিজিনেস অমনি। মাইক্রো-ইকোনোমিদা এক্সপর্টনি শোন্নরিবা বেঙ্গলিশিংনা থোল্লম্বা ইকোনোমিগী য়ূম্ফমনি। লমদমসিদা থাদবা/লমদমসিদা থোক্তবা পোথোক অমবু চহী চুপ্পা কুম কাংবা তৌদনা শীজিন্নরগদবা পোৎশক অমা ওইহনবা- লাপ্পা, শান্না উবা মীৎয়েংদুগী ইকোনোমিক ইম্পেক্ত, মীতৈশিংনা ঙসিফাও খঙদ্রিবগুম তৌই। খঙলবসু, লৌখৎফম থোকপা ইকোনোমিক মিজর অদু লৌখত্তবা।

লমদমসিদা হৌদ্র’সু, লমদমসিদা ক্বাগী পোথোক পুথোক্তবা য়াদে খন্দুনা তুংলমচৎ উবা মতম অমগী নিংথৌ নৎত্রগা লুচিংবা অমনা ক্বা থানবা, ক্বা হৌবা য়াবা মফম অমা থিদুনা, ক্বা থানবগীদমক মী খরা খুন্দা-লৈতা লৈহনখিবা মফম অদুবু ‘ক্বাথা-খুল’ মিংগৌদুনা থোনখিবনি... ঙসিদি, ৱারী ওইনা লীনবতা মঙায়রে, ক্বাথাদা ক্বা থাখিদ্রে। ক্বাথাগী মীয়াম, ক্বা থাবনা হিংনবই লম্বী ওইখিদ্রে। মরম? ক্বাথাদগী পুথোকপা ক্বাগী পোথোক্লা মীরমদগী পুশিল্লকপা ক্বাগী মহুৎ শীনবা ঙমদবা, নৌনা শেমগৎলকপা শিনফম অদু য়োকখৎপীনবা সপ্পোর্ট সিষ্টেম লৈতবা, পুথোরক্লিবা য়ামখিদ্রবা পোথোক খরদুফাও কঞ্জুমরগী খূৎ য়ৌহন্নবা ত্রান্সপোর্টেসনগী পাম্বৈ লৈতবা... অসিনচিংবসিনা মরুনি। প্রোপর প্লান্নিং তৌহৌদবই মহয়নি।

থাপ্পবা চীংগী লমদুদা শিনফম অমখক শিনপাঙনবা খুন-থোকখিবা ক্বাথা-খুলগী মীতৈশিং, মায়কৈ অদোমগী কুকি-ফুরুপকী মীওইশিংদগীদি খুন্দা-লৈতাবা হাল্লি হায়বসিমদি হিষ্টরিকেল রেকোর্দশিংনা প্রমাননি। অদুবু ঙসি, ক্বাথা খুলগী মীতৈশিং, অকোয়বদা নৌনা খুন্দারকপা কুকিশিংনা য়োৎশিনখিদৌরবা, পীল্লবা মাইনোরিটি কাঙলুপ অমা ওইনা লল্লিন্দা হিংলিবা থৱায় মচাশিং ওইরক্লে। হৌজিক চত্থরিবা কুকি-মীতৈ লানসিনা হয়েং করি ওইরগবা হায়বদুগী লাংতক্লবা হেনগৎহল্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙাক শেন্দুনা খুঙ্গং অমবু কয়াম কুইনা থমগনি? কুকিশিংগী মমি তমদ্রিঙৈ চহী চা কয়াগী মমাঙদগী চুড়াচান্দপুরগী খুমুজাম্বা-মীতৈ-খুল, ঙসি মমি মূৎখ্রিবসিনি।

হন্দক্কী, কুকিনা মীতৈ মুখৎপগী পান্দমদা লান্দারকখিবসিদা লানগী চৈথেং ফংলবা মীতৈশিংগী খুঙ্গংদা হকথেংননা চঙদুনা মণিপুরগী লৈঙাক-লুচিংবা অমত্তনা অৱা-নুংঙাই হংলম্বগী পাউপঙনা তাখিদে। তম্পাক লমগী খুল খরদদি মাগী মাগী এম এল এশিং চঙলম্বগী পাউদি লৈখিবরা! খ্বাইদই চাউবা লুচিংপুরেল লৈঙাকপদু য়াওনা, এম এল এ/মিনিষ্টর অমত্তনা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তিতা চত্থুনা হকথেংননা এক্সপরিয়েন্স অমত্তা পাউদম্লকপা তাখিদে। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী ক্বাথা খুলগী মীতৈশিং কমদৌরমগদগে ৱানরিঙৈ নোংমা নুমীদাং অমা, ক্বাথা খুনৌগী মী লৈনদ্রবা য়ূম অনী মৈ থারম্বগী ভিদিও ফুটেজ ভাইরেল ওইরকখি। খনখি- খুঞ্জাওদুসু সিক্যুরিটি ফোর্সকী ঙাক্লৌ লৈরমদ্রবা, নহান্না উৎ ওল্লম্লনি। খূৎ থেক্তুনা পাবা য়াবা মখোয় খরখক লৈরিবদুগী থৌনা হাপ্পবা লুচিংবা খরদি চঙহন্নিংখিবনি। অদুবু, পুন্সিদুদা শীংনরক্কদবা খুদোংথিবদুগীদমক খল্লগা কনাসু চোংথোরকখিদে।

লাংতক্নরিঙৈ, পাউচেশিংদা থেংনরকখি- হান্নগী মিনিষ্টর বিজয় কোইজম মশামক ক্বাথাদা চত্থুনা খুঞ্জাশিংগা উন্নরম্লে, অচা-অথক-হীদাক-লাংথক মতেং ওইনা য়েল্লম্লে। পাউদুগী হেদিংনি... ‘বিজয় কোইজম, ক্বাথাদা লীৎশিল্লুরে’...। য়েস! অদুনিদনা লুচিংবা হায়বদো! করেজ! থৌনা!- লুচিংবনি হায়জবা সুদো-লীদর খূদিংমক্তা য়াওদবা, থোইদোকপা ক্বালিটি অমনি। করম্না লীৎশিল্লুরিবা? ৱারোলদুদি ইজররোই। চত্থুনা লৌরুবা পাউদমদুগী মচঙ ওইবা ৱা অমনীদং তবীরোই খঙলবা তাহন্নিংবা নাকোংদু য়ৌনবা হায়জনীংবনি। ক্বাথাগী খুঞ্জাশিংনা মণিপুর-লৈঙাক্তগী মতেং অমত্তং নিনীংই- জাইফোর পাম্বী (শরেং থোংবদা থাক্লবা উহৈ অমা)গী মরু, কালি-মির্চ, লিচি পাম্বী, য়ুবী পাম্বীনচিংবা থানবগী মচাক মথুম পীবীবা, লৌউ-শিংউ তৌবদা চঙবা খূৎশু-খূৎলায় পীবীবা... হান্নদগী লৈরক্লবা ঙা-য়োক-পুখ্রি অমসুং লৌউ-শিংউজী দরকার ওইবা ঈশিং য়োক্লবা ঈশিং য়োক্লবা পুখ্রি তৌবীবা। থৌরাংশিংসি পায়খৎপীরবা, ক্বাথাগী খুঞ্জাশিংনা থাজজে- মণিপুরগী ইকোনোমি ফগাৎহনবদা মখোয়না মশক থোকপা অচৌবা খুদোল অমা তৌবা ঙমগনি। অদুবু, লৈপাক অমগী ইকোনোমি ফবা নৎত্রগা ফত্তবা, লমদমদুগী চথোক-চৎশিনগী পাম্বৈ (ত্রান্সপোর্টেসন)গী মখা পোল্লি হায়বসিমদি কাউরোইদবনি প্রজানসু, লৈঙাক্লসু। ক্বাথা খুলনা মণিপুরগী ইকোনোমিদা অচৌবা থৌদাং অমা য়ারমগদবদু য়াবা ঙমখিদবা- লম্বী-থোং অমদি চথোক-চৎশিনগী পাম্বৈ ফৎখিদবদুননি।

খ্বাইদগী নৌবা পাউজেল ওইনা বিজোয় কোইজমগী খুত্থাংদা ক্বাথাগী খুঞ্জাশিংনা পীরক্লিবা- কুকিশিংনা কন্ট্রোল তৌখ্রবা, মখোয়গা শম্নফম ওইবা লম্বীশিংগী তুংলমচৎ অদুগী মখা পোনগনি হায়বসিমদি খঙই ঐখোয়সু মখোয়সু। ক্বাথা খুলগী মরাইবক, ঙসিসু মখা পোল্লি- কুকি-মীতৈসিগী পোলোইদা।

অমুকোগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ডা. ৱাই মনি খুমন লৈখিদবদা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী হান্নগী প্রসিদেন্ট হৌজিক্ল এদভাইজর ওইরম্বা ডা. য়ূম্নাম মনি খুমননা ঙরাং মার্চ ১৮দা মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)না থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবগা লোয়ননা অমেস্কোগী ময়াই লোয়শঙদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না অমেস্কোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দীপু ৱাঙ্খেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা তোঙান তোঙানবা ঈহৌশিং অমদি ইরৈপাক ইরমদমগীদমক থৱায় হকচাং য়াওনা মাঙজিল থাদুনা মীয়ামগীদমক কথোকপীরম্মী অমদি অমেস্কোবু শেম্বীরকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বগা লোয়ননা পি পি সী এমগী কনভিনর ওইনসু থৌগাই পুরম্মী। মহাক্কী থৱায়না লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা শেম্বীবা মপুদা থৌনিজখি হায়রি।

ডা. মনি খুমননা লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি), মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (এম পি এ এল) বিষ্ণুপুর, ওল মণিপুর ৱিমেন ভোলন্টিয়র এসোসিএসন (অমৱোভা) অমদি এন্টি দ্রগ কেম্পেন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনসু থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসি নিংথৌ কৈথেলদা হাংলিবা য়ু সী ও বি আই দিগী ওফিসতা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই দল্লিয় দি য়ু সী ও)গী সেক্রেটরি জেনরেল কে মোমোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হৌজিক-হৌজিক অমুকোগী এদভাইজর ওইনা থৌ পুরম্বা অমসুং প্রসিদেন্টকী থৌসু পুবীরম্বনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা আই দল্লিয় দি য়ু সী ওগী থৌমীশিংনসু ঙসি মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

ওল ক্বাক্তা য়ুথ ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন (এ কে ৱাই ভি ও)গী প্রসিদেন্ট মেরাইময়ুম সলামট আলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু ডা. ৱাই মনি খুমননা থা অসিগী ১৮গী নুংথিলদা রিমস হোস্পিটালদা মতম খরা লায়েংলম্লগা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ঙসি অৱাবা ফোঙদোকমিন্নখি হায়রি।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিং ডা. এস ইবোমচা অমসুং এল রোবিন্দ্রো অনীনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমসুং হৌজিক-হৌজিক ওইনাম এ সীগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মেম্বর ওইবীরম্বা ৱাই মনি খুমননা ঙরাং মশাগী অনাবা অমনা লৈখিদবা অমদি পার্টি অসিগী লিলোং এ সীগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এম দি সিরাজউদ্দিন য়াঙ্খুবমনা থা অসিগী ১২দা লৈখিদবগীদমক রিজনল পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুর পিপলস পার্টিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা এম পি পিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স থোইবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু অমুকোগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমদি এদভাইজরসু ওইরম্বা ডা. ৱাই মনি খুমননা লৈখিদবদা ফোক্সকী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহারনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদুদা ডা. ৱাই মনি খুমননা হিংলিঙৈদা লৈবাক মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লম্বা কয়াবু শীংথারদুনা মহাক্না লৈখিদবসি লৈবাক্কী অচৌবা মাঙজবনি হায়খি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৩।২০২৪ ইং, য়ুমশকৈশা;
লমতাগী ১১ নি পানবা।

মেষ: নচা-ননাইগী ৱাবা, শেল চৎপা য়াবা, শেন্দোং তানবদা মরুপ-মপাংগা ৱারৌনবা লৈগনি। থৌনা ফুদোকউ, শেল-থুম কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

বৃষ: থবক খুদিং মায় পাক্কনি-মতম মাঙহল্লনু অমদি কিবা নৎত্রগা চিংনবা থাদোক্লো। অফা-অপুন্নবা কোকচরনি, থৌরম শীনবসু হৈগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মিথুন: য়েৎনগদবা অমদি মীনা য়েংশিল্লক্কদবা থবক পাঙগনু-তঙাইফদ্রদি ইমুং-মনুংগা লোয়ননা পাঙউ। লৌশিংনা খূৎলায় ওইবা ফগনি।
লৈশা পাখংগী- ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: লাইবক থোইনা ফগনি, হকচাংসু নুংঙাইজগনি। মরুপ-মপাং, লন ফংজগনি। নোল্লুকপা হৈত্রদি নথক থোংবগা মরী ফরোই।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: নচাক-নরল অমদি অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইজবা খরদি লৈ। খূৎচাও থাবা য়ারোই, চুম্লে খল্লসু থৌনা ফুদোকপা মতাং চাদে।
লৈশা পাখংগী- ইকায় খুম্নবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: নীংবা চাউনা থুংগনি, শেন্দোং তানবসু য়াম্না কান্নগনি, নচা-ননাই লাকশিনগনি, মুক্লবা লৈরসু ঙমগনি। মরুপনদি ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: য়াম্না কুক্লিং পেঞ্জবা, পাউসু নুংঙাইবা তাজবা, পাঙনিংবা থবক পাঙবা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা নুমিৎনি। নীংহন্নগনু-কান্নরনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা মপা চারে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক: পূক্লিং ইপেন পেন্দবা, অচানবা কায়নবা, পাঙগে খনবা থবক পনবা নুমিৎনি। মীয়ামগা লৈনবা মরীদি হান্নদৈ হেন্না ফগৎকনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

ধনু: মিংচৎ, নচাক-নরল, থৌনা অমদি নচা-ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। ঙাংবা-শকপসু মীনা তানিংগনি। তুংগী পোরম য়াৎথোকপা হৌরো।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: খুরৌ থাংবা অমদি পঙশিনবা লৈরসু নীংবদি থুংগনি, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, নচা-ননাইগী য়াইফবা উগনি। য়েৎনবদি পামগনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: নীংবা থুংলনি, মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা নুমিৎনি। নথক থোংবনসু য়াম্না চানবীগনি। অরোন-অথুপতি ঙাংথোক্কনু, নক্লবনা য়েংথিরি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা য়াম্না চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মীন: ঈংথৌ-ফিংবা অমদি অকল-অরিং শিংবনা কান্নবা অমত্তা ফংলোই। ৱাখল ফাথৌ, লৌশিং চাউবা মীগী পাউতাক লৌ-কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- চুম্লসু নাপল তৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯹ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯹ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005134130

HL-P/9855/6 to 20 March

Moulding Career & Igniting Young Minds
APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Akham Leikai, Airport Road-01
[illegible]
REGISTRATION OPEN
Congratulations
Kalsanthui G. (St. Stephen's College, DU) CUET - 2022
Chuimatai M. (St. Stephen's College, DU) CUET - 2022
A. Nongshaba (B.R.A. College, DU) CUET - 2022
CUET (UG)
Common University Entrance Test (2024)
UNDER GRADUATE TESTS for Indian Central Universities including Manipur University
Eligibility: XII Sc. & XII Arts
Sunday open
CUET (UG) Classes available for Paper I, II & III
Domain subjects: Phy, Chem, Bio, Maths, Hist, Geog. Eco. Com. Busi. Studies, Accountancy Pol. Sc. & Eco.
Class starts: 18/03/24 for Science
23/03/24 for Arts & 04/04/2024 for Paper I & III
MR. NITISH NAOREM
AIR - 116 (99.96 percentile)
Hansraj College, DU
CUET-2023
Avail Hostel seats for Boys & Girls
For Application Forms pliz visit Appollo Ofice, Kwakeithel, Near AMUCO Office (8 am. to 3 p.m.)

HL-B/8604/6 to 25 March

[illegible]
SPOKEN ENGLISH
FOR GENERAL CLASSES AND SPECIAL CLASSES FOR ONLY ONE PERSON
FOR SENIOR AND STUDENTS (OFFLINE OR ONLINE)
GLOBAL SPOKEN ENGLISH AND DOT COM COMPUTER
GOURAHARI MARKET, BEHIND POLOGROUND, NEAR HOTEL KHRISTINA PAONA BAZAR, IMPHAL
CLASS TIMING : 5:15 AM TO 6:30 AM, 6:30 AM TO 8:00 AM, 11:00AM TO 12:30 PM, 3:00 PM TO 4:30PM, 5:00PM TO 6:30 PM.
INSTRUCTOR : SIR TEJKUMAR (TEACHING SINCE 1987)
PLEASE CONTACT : 8132904426

HL-B/8573/30 Jan. to 28 March.